ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯃꯥꯔꯆ ꯲꯵, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯰꯰꯲ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, মার্চ২৫, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ০০২ শুবা মশীং

# আই-এমগী ৱাকায়

## সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং তুমিন্না লৈহন্নিংদে

*তরামাথোইশুবা* মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীখলগী মাঙওইননা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৫ দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি ইম্ফালদা লাকখি অমসুং মীয়াম তিনবা মীখলগী রেল্লি অমদা আই-এমগী ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টতা মণিপুরগী ৱাফম অমত্তা য়াওদে হায়না লাউথোক্লমখি। মণিপুরগী টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রীটি করিগুম্বা হীরম অমত্তদসু কায়হল্লোয় হায়না ইম্ফালদা লাক্লম্বদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, হোম মিনিষ্টর রাজনাঠ অমসুং বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিট শাহনা ময়েক শেংনা ফোঙদোক্লম্বা লৈখি। মীয়ামগী সেন্টিমেন্ট য়াম্না ৱাংনা লৈবা মরম্না বি জে পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী লুচিংবশিংনা কিথি-কিরুম তৌরম্বা অমসুং পাঙ্গল থোক্না ভোট খোম্বা ঙম্লমদবদু নুমিৎসিদগী অনৌবা থৌনাগা লোয়ননা কোংগ্রেস থেংননবা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপা উখি। মীয়ামসু প্রাইম মিনিষ্টর অমদি বি জে পিগী মশক নাইবা মীওই কয়ানা মণিপুরবু নুংশি অমসুং ষ্টেট অসিদা খুন্দারিবা মীয়ামদা নমথাক তৌরোই হায়না পূক্নিংদা ফাওবগা লোয়ননা বি জে পিদা লৈরম্বা চিংনবশিং তপ্না- তপ্না মাংখিদুনা অচৌবা ৱেব অমা মীখল ময়াদা লৈরকখি। অদুবু মীখল মতুংদা মীয়ামদা লৈরম্বা থাজবশিং তপ্না-তপ্না মাংবা হৌরকখি। মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম থুগায়ননবা হোৎনরিবা কাঙবুশিংনা তপ্না-তপ্না লৈঙাক পায়শিল্লকপনা তুংদা করি থোক্লগবা হায়বা ৱাহং অমা হংবা হৌরক্লে। তানফম অসিদা এন এস সী এন (আই-এম) গী লুচিংবা থুইঙালেং মুইভানা হেব্রোনদা ফম্লগা মণিপুরীশিংগী পূক্নিং শোকপা য়াবা ৱাফম খরা ফোঙদোকপা থেংনরে। মহাক্না ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা অমখক্তং পনবা তারবদি নাগা তাবা লমশিং পুনশিনবদা সেন্টরনা য়ারে হায়বসিনি। ৱাফম অসিনা অচুম্বা ওইরগদি মণিপুরগী নাগা তাবা লমশিং, আসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী নাগা তাবা লম পুন্নমক এদমিনিষ্ট্রেটিব য়ুনিট অমগী মখাদা পুনবা হায়বা আই-এমগী দিমান্দ অদু ফংগদৌরে হায়বসিনি। মসিদসু নত্তনা আই-এমগা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা খুৎয়েক পীনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অদু নাগাশিংগী অপাম্বা খুদিংমক লোইনমক য়াওরে হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া মথং-মথং কাপথোরক্লি।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকা আই-এমগা ৱারী শানরিবসি হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ওফিসলগী থাক্তনি। ওফিসল ওইবা থাক্তা ৱারী শাননবগীদমক ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা আর এন রবিবু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী ইন্টরলোক্যুটর ওইনা হাপখিবনি। মহাক্না আই-এমগী লুচিংবা ওইরিবা টি ঐচ মুইভাগা কয়ারক হন্না উনদুনা ৱারী শানখ্রে। ৱারী শানরবা মতুংদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অমা পুথোরকখিবনি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অদুদা মরু ওইবা ৱারম অহুম য়াওই অমসুং মণিপুরগী ৱাফম অমত্তা য়াওদে হায়না বি জে পিগী লুচিংবশিংনা ক্লেম তৌই। মরু ওইবা ৱারম অহুম অদুগী মনুংদা নাগাগী য়ুনিক হিষ্টোরি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মশক খঙই হায়বসিনি। নাগাগী য়ুনিক হিষ্টোরি হায়বসি করিনো, মসিগী ৱাহন্থোক অমা মীয়ামদা খঙহন্দবা য়াদবা মতাং অমা লাকই। মরমদি য়ুনিক হিষ্টোরি হায়বসি য়াম্না পাক-চাউই। লৈরমদবা নাগাগী সিষ্টোরি ৱাখলনা শাগৎলগা শেমজিনবা কয়া অদুনা য়ুনিক হিষ্টোরিনি হায়রবা অমসুং মখোয়গী অপাম্বা ফংননবা শেমজিন-শাজিনবা হিষ্টোরিদুবু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মশক খঙবনি হায়বা তারগদি মণিপুরগী ওইনা লাইবক থীবনি। মরক অসিদা মণিপুরদা লৈঙাক পায়বা য়াওরিবা নাগা পীপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ) কী জেনরেল সেক্রেটরি অমনা নাগা তাবা লমশিং পুনশিঞ্জগে হায়বসি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল-৩ না য়াই অমসুং মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বসি কন্সটিট্যুসনগী ৱাংমদনি হায়না ন্যুজ চেন্নেল অমদা চঙথবা খন্ন-নৈনবগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবদুমক এন পি এফ হায়বা পোলিটিকেল পার্টি অসিগী পান্দম ময়েক শেংই। পার্টি অসিগী কন্সটিট্যুসন্দসু মণিপুর থুগায়নবগী ৱাফম ময়েক শেংনা পল্লি। অদুবু মখোয়না খঙগদবদি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল-৩ দা অনৌবা ষ্টেট অমসুং লমখৈ নৌনা খায়দোকপা নৎত্রগা হৌজিক লৈরিবা ষ্টেটকী মমিং থোনবগী ৱাফম অসি পার্লিয়ামেন্টনা লো অমা শেম্বা য়াই (পার্লিয়ামেন্ট মে বাই লো)। মে হায়বা ৱাফম অসিমক্না নাগাশিং পুনশিন্নবগী ৱাফম অমদি মেন্দেটরি নৎত্রগা মখোয়গী ফংফম থোকপনি হায়না লৌবদি লাল্লি। মহাক্কী ৱাফম অদু কন্সটিট্যুসনগী অরুবা কাঙলোন লান্না হন্দোকপনি হায়না লৌবা য়াই। মতাং অসিনা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি আই-এম অমসুং মসিগা চৎমিন্নরিবা খুদিংমক্না মণিপুর থুগায়ননবা হোৎনরিবসি পোলিটিকেল টোন অমা নত্তে, ৱাখলনা শাগৎপা নৎত্রগা মঙলানগী ৱাফমসু নত্তে। মখোয়না সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমসুং ষ্টেট লৈঙাকপু তপ্না-তপ্না শকউদবা মওংদা পুল্লগা পুরক্লি। হীরম অসিদা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং তুমিন্না লৈহন্নিংদে।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### সী এমগী বঙ্গলোদা চাক্কৌবীয়ু!

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

***য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল***না এন ঐচ ৩৯ অমদি ৩৭ অনীমক্তা মতম কক্তনা ইকনমিক ব্লোকেদ তৌখিবা মতমদা মীচম মীয়াম কয়া ৱাবা য়ানা ৱানখি। চীংমী তম্মী খায়বুং খায়বুং তানখি। লম্বেলসিদা পোৎ পুবা গাড়ী কয়া মৈ থাদুনা পোৎ চৈ কয়া মাঙ তাকহনখ্রে। খুৎলায় পায়বশিংগী খুৎতা মীওই কয়া অশোক অপন, অশি-অনা কয়া থোকখি। নুমিৎ ১৩৯ নি চথরকখিবা ব্লোকেদ অদুদা লমদমসিদা নোংমগী চঙদবা য়াদবা পোৎলম কয়াগী মমল অতিয়া পক্না ৱাংনখি। হৌখিবদা পানখিবা লৈঙাক অদুনসু নাকল অহুমক্তা য়ানবা পুরকপা ঙমদনা লৈখি। অদুবু মতিক মগুণ লৈরবা নৌনা ৱাশকপা কুইদ্রিবা এন বিরেন সিংহনা লুচিংবা বি জে পিগী হৈ শিংলবা পোরম কয়া য়াৎতুনা চীংমী-তম্মী নুংশিননবা মায়কৈদা পুরক্তুনা মার্চ ১৯/২০ গী লোন্নবা অহিংদা ইকনমিক ব্লোকেদ হাংদোক্তুনা য়াম্না চাউবা অওনবা অমা পুরক্তুনা মীচম মীয়ামশিং শান্তি ওইবা ফংজরে।

লমদমসিদা মীয়াম্বু থৌগল তৌজনীংবা চীংমী-তম্মী কেন্দিদেট কয়ানা চীং তম পূন্না কেন্দ্র ৬০ গীদমক্তা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা ১১ শুবা মণিপুর এসেমব্লি ইলেক্সন্দা লম্বা তৌনখি। চৎলিবা থা অসিগী ১১ দা ভোট মশীং থিবা লোইদুনা কোংগ্রেসনা সিট ২৮, বি জে পিনা ২১, এন পি পিনা ৪, এন পি এফনা ৪, তৃণমুলনা ১, ইন্দিপেন্দেন্ট ১, লোক জনশক্তি ১ ফংখি। হায়রিবা সিট ৬০ অসি ফংনবা হোৎনবদা অকনবা লম্বা থেংনখি। মায়থীহৌরবা কেন্দিদেট কয়ানা মাগা মাগা লম্বা তৌনরিবশিংগা মলোম লৈনরি, উনবা য়ানদে। অমনা অমবু অশোয়বা অচেংবা লুমদুনা লৈনরি।

নাকল অমদা লৈঙাক পায়বদা শৌগৎলি। নাকল অমদনা মন্ত্রি ফংদ্রবদি ফগনিদা খন্নরি। অনীনা লম্বা তৌনবদা অমনা মাই পাকপা অমনা মায়থীবা তাবনি। মীয়ামগী থৌগল তৌবা পান্নবদি ভোট কাদ্রবসু কন্নানসু অথিংবা লৈতে। অদোম্না অশেংবা পোলিটিকেল পার্টি ওইরবদি মীয়ামগী থৌগল তৌবদা মীয়াম্না অদুমক থাগৎনগনি, নুংশিবীগনি। সিট ৬০ গীদমক্তা নুপা নুপী কেন্দিদেট ২৯৩ রোম্না কন্টেষ্ট তৌনবদা কেন্দিদেট ৬০ খক্তমক মায় পাক্লে। মায়থীহৌরবা কেন্দিদেটশিং মায় পাক্লবশিংগা থরুম লৈনরে। লৈকায়গী ক্লব, মৈরা শঙ থোঙ হাংবা কিনরে, অমম-অথেংবদা নাইতোম চৎপা কিনরে। মচিমচিদা নিঙাই শংদান্নদুনা লৈরে। অশি-অনা, লাইনীংগা মরী লৈনবা থৌদোকৱাথোক কয়াদা চেবাউ কক্লরে, লিংজেল মান্নরম্বশিং নপাক নপাক তানরে। চাওখৎ থৌরাংশিংদা পাউ ফাওনদ্রে। মীপুম খুদিংমক্না মীপাইনরে। য়ানদবদগী ব্লোকেদ হন্দোকপা ঙমখিদে। য়ানরবা মতুংদা ব্লোকেদ হন্দোকখিবগুম ১১ শুবা এসেমব্লি মীখলদা মায় পাকখিবা কেন্দিদেটশিং মায়থীহৌরবা কেন্দিদেটশিং, লৈঙাক পায়রিবা কাঙবু, পায়হৌদবা কাঙবু নুংশি চান্নবা লম্বীদা পুরক্লবা পান্দমদা বি জে পিগী চীফ মিনিষ্টরনা শিনবীদুনা পূন্না চাক চামিন্নদুনা, খুৎ শোক্লন্দুনা হরাউ হরাউ কৌনহন্দুনা গ্রুপ্পিং-গ্রুপ্পিংগী ফোটো কাপমিন্নদুনা সী এমগী বঙ্গলোদা, গভর্ণরগী বঙ্গলোদা অমদি এসেমব্লি হোলনচিংবগী মফম চাবা ফক্লংদা থেক্তুনা অনৌবা পুৱারী অমা থম্বীনবগীদমক্তা সী এমগী বঙ্গলোদা চাক্কৌবীনবা সী এমগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি।

*অদোমগী - চৱাল খাইদেম*
*খুরাই সাজোর লৈকায়*

# চাওখৎপা অমদি চাওখৎতবা

## ৱাইরু ৱাইরুবদা



*ইস!* ঙরাংদি গুদ মোর্নিং মণিপুর কয়া নুংঙাইখ্রে। ঙরাংতগী ৱা নৎখিদ্রেদা গুদ মোর্নিং মণিপুর হায়বা রেদিওগী থৌরম অসি ইনুংতা নুংঙাইখ্রে। নৌনা ফমথোন কারকপা মন্ত্রিশিংনসু তাবীয়ু।

গুদ মোর্নিং মণিপুর নুংঙাইতবা মী ইয়াওদি য়াওরল্লোই। আলু য়োংচাক ঈরোনবা চারগা অযূক্কী চাকচা তোল্লকপা অদুদা ফমুংদা ঙাইহাক্তং হীপ্লগা তাবনা গুদ মোর্নিং তাবা ইনুং নুংঙাই। মহাউ লৈ।আলুগী য়োংচাক্কী হৱাই মুবীগী মতম লোইখিবদা গুদ মোর্নিংগী মহাউ ফাওবা ওল্লক্কদৌবা মাল্লি। মহাউদি হন্থরোই।

অসেম মংলেম্বা, আর কে লোকেসনা, সত্যজিৎ, রতনকুমার লোইতোংবম, দেবচন্দ্র শর্ম্মা, সুবাস অথোকপম, খাঙেম্বম সুশিলা, কোঞ্জেংবম মেন্মচা, লাইশ্রম রাশেশ্বরি, ভিক্তোরিয়া অসিনচিংবা কয়ানা ফোন ওক্তুনা গুদ মোর্নিং মণিপুর নুংঙাইহল্লি। রেদিওমুক নুংঙাইবা লৈরমদ্রে। টেলিভিজন য়েংবসু নুংঙাই। রেদিওনা মতাং অমদদি নুংঙাইবা আ য়ৌনা হেন্দোকখিবা য়াওরকই। কনামত্তনা রেদিওবু নম্বীনবা লৈতবা মতাং য়াওরকই - মীখলগী পাউ হায়দোকপা নংনবা রেদিও কয়া লৈনৈ। হন্দক্তি ইমান্নবা অমনা ফাগী ফাগীদগী মীখলগী ফল হয়েং লাউথোক্তনি হায়বা নুমীৎ অদুদা চাইনাগী রেদিও অঙাংবী মচা অদু মশীং ৩০ রোম নুমিদাংৱাইরম অমা য়োনখি হায়না ৱারী তৌরকই। রেদিও য়াওদবা পুন্সি পুন্সি নৎতে। রেদিওনা থৱায় ওইজবা কয়াগী লক্তা ঐসু অমনি।

গুদ মোর্নিং মণিপুরনা রেদিওবু য়োৎচাবী অমদৌনা উহল্লি। নোংমা নোংমগী য়োৎচাবী ওল্লকই। কনা অমনা কোল্লর খরতগী খোঞ্জেল হঞ্জিন হঞ্জিন তাবসি নুংঙাইতে হায়না মনি মালাগী চীঠি পাউখুমদা য়াম্না তোয়না ৱাকৎলি। অদুবু ঐদি হঞ্জিল্লক্লবসু কায়দে খল্লি নুংবু নুংঙাইরবদি কানবু কান্নবা ওইরবদি হঞ্জিন হঞ্জিন তাজগে হায়না ফেঙদুনা লৈজরি। অনৌবা কোল্লরনি হায়দুনা পোইন্ট ইয়াও য়াওদবা ঙাঙবা তারবদি তাবদা নাকোং মেনগে মেনগে তৌরকপা লৈ। নমদুনা তাবসু য়ারক্তে। অরিবা কোল্লর খরদি য়াম্না ফজবা ফজবা ৱাফম কয়া পুখৎলকই। খরা অমনা তাবদা ইচম চম্না থোক্লবা চমফুৎ ৱা কয়াসু অদুম পুখৎলকই। রেদিওনা ফোন পায়খৎপীরকপা হায়বা অসিদি দাউগী মখা পোনবনিনা ফজবসু, চম্না থোকপসু য়াক্না থোকপসু, থুম্না থোকপসু অদুম চামিন্নরে কৈসু কায়দে খল্লি। ঐদি ফোন-ইন-প্রোগ্রাম গুদ মোর্নিং মণিপুর অসি ইনুংতা নুংঙাইজে। নোংমা নোংমগী নুংঙাইবা হেঞ্জিল্লকই। নুংঙাইত্রে হায়বা নুমীৎ লৈত্রে। নুংঙাইবা খরদি নুমীৎ খুদিং অদুম য়াওরে। নুংঙাইবা খরা য়াওরিবসিসু নুংঙাইবা মখল অমনি।

নুংঙাইবদা নৎতে কান্নবা অমসু য়াওরি। রেদিওগী ঈ পাউগী মমাঙ, ময়ায়, মতুং খুদিংমক্তা হন্দক্তি সরকারনা হায়খি মণিপুর য়াম চাওখৎলে, চহী মঙা তরাগী মমাঙদা মপাল লমদা করিদা লৈরুবা কাঙবুনা মণিপুরদা হল্লকপদা মণিপুর অসি মশক পুমওন ওল্লম্লে। লম্বী খঙদ্রে হায়খি, অদুগা অমরোমদা গুদ মোর্নিং মণিপুরদনা কোলরশিংনা লম্বী য়াদ্রে, লম্বী কয়লাস থাবা হৌরম্লগা মখা তানা শেম্বীরদ্রে। ৱাটর সপ্লাই স্কিম ফেল ওইরে, পাইপ কায়রগা শেম্বীরমদ্রে, মৈ থারক্তবা কুইরে হায়বা ঙাক্তা তাখি। মণিপুরগী মফম অয়াম্বা জুগোৎ চাবা ইয়াওবু য়াওরমদ্রে হায়বা খঙলকই। মণিপুরগী মফম খুদিং লম্বী খুদিং, পূৃখ্রী খুদিং ট্রান্সফোর্মর খুদিং বেরা কাবা ঙাক্তা ওইরম্বগী ৱানি। ৱাকৎলক্লিবা ময়াম অদু হায়নীংঙাই লৈতবগী পঙহায় হেক হায়জিন্দুনা ৱাকৎপদি য়াপোৎ নৎতে। ৱাকৎপা য়াদবা হীরম তাংনা থোক্লে।

ঐসু হেক ফোন ফংবগা গুদ মোর্নিং মণিপুরদা ৱাকৎচগদবা অমা লৈজরে। মসি কনা অমত্তনা হৌজিক ফাওবা ৱাকৎ থাঙ্গৎপীরকপা তাদ্রি। করি মতাংনো হায়রবদা গাড়ী কন্না কন্না থৌনবসে অসিগী মতাংনি। মীশিংনা গাড়ী কন্না থৌবনা নোংমা নোংমগী নুপী কয়া লুখ্রা ওইহল্লক্লিবা, নুপা কয়া পাখ্রা ওইহল্লক্লিবা ময়াম অসে। কনা অমত্তনা গাড়ী য়াঙনা থৌবগী অকায়বা নৈনবা উদে। মহৈরোয়গী লূপশিংনা, মৈরা পায়বীগী লূপশিংনা ৱাকৎ অমা তৌবীবা য়াই, রেলি চৎপা য়াই, ৱাকৎ মীফম ফম্বা য়াই, গাড়ী য়াঙনা য়াঙনা থৌদুনা মী হাৎতনবা! নোংমৈনা কাপ্তুনা মী হাৎপা ঙাক্তনা মী হাৎপা নত্তে। গাড়ীনা তক্তুনা থোমগায়দুনা শিবসু শিবনি। শিবু হেক শিরবদি অহ্মানি।

কনাগুম্বী ইমা ইবেল ইচে ইচলশিংসু গাড়ী য়াঙনা থৌবদা নুংঙাইজবীগাসু য়াওনরি। ইমা ইবেল মখোয়না খরদি খামজিনবা ময়াবনি। মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা লম্বী থোংগী ফীভম মতা অসিদা গাড়ী য়াঙনা থৌবা য়াবা ওইদে। লম্বীসু পাক্তে, পাক্লবসু কোঙকুৎকী কোঙকুৎ ঙাক্তা, থক্লরিবা হীদাক খূৎথক অসিগা গাড়ী য়াঙনা থৌবা শুকয়া হেক য়াজনীংদে।

# মীখলগী কুম্মৈ খরা - ৪

## নবকুমার ওইনা

*বি জে পিনা* লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগীদমক করি তৌরক্কদগে হায়বদুদি য়েংখিবা তাই। অদুবু মীখলদা মায় পাক্লনবা হোৎনবদা অফবা শারগা ঙাঙনখিবা ৱাফমশিং অদু য়েংলুরগদি কনানা মীয়ামগী থবক তৌরক্কদৌরিবনো হায়বসি খন্থবদা ৱানা থোকই। মখোয়না লৈঙাক পায়রগা ইলেক্সন তৌবগী দ্যুটি থাবদবু য়াম্না অচৌ-অশাং শারগা, ইলেক্সন কম্মিসনগী ওর্দরনিকা হায়রগা ওইদ-পাদগী ইলেক্সনসিগীদমক্তা ইমপ্লোয়িশিংবু অকি-অখং ফাওহনবগী মওং মাল্লকপা অসিনদি অমুক হেন্না তল্লকপদুনি। শিবা য়াওরিবসিদি, শিববু তৌদবা য়াদবনি হায়রিসিবু! ৱাহুরগা শিরগনা লাক্ষ তরা, হাৎপা ওইরগা লাক্ষ কুল, শিবা-নাবা য়াওদনবা হান্ননা শিনবা কৈদৌবগে? মদু তৌদবসিনা অমুক হেন্না তল্লকপা তাবনি, করিগী তন্দগনি। লৈবাক শেম্বদা তন্নরকপদুনি।

মীয়াম্না তৌই পোল্লিং পার্টিসি মীনাই-মীসন ওইনা উবসু মাল্লকই। মোইথেম তৌগনি, মীহুৎ থাজিল্লক্কনি, চা-ক্না লানগনি, নুংনা থাজিল্লকপসু য়াওরিবনি। মমৈদদি অরেম্বা বেলোট পেপর য়েন্নখ্রে হায়বসু লৈরিবনি। পৈশা য়েন্দে হায়বসিমা হায়বা য়াররোই। থায়না ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা ষণ হুরান্নরম্বগীদু মখা তারকপদা ওইনা ঙসিসু কার হুরান্নরিবসিনি। ভোটকী পৈশা লৌনবগী মীরৈহৎ ময়াম মাগী মাগী ষণনিং হনবগী লৌশিংদু ফুদোক্লরক্লিবনি। কেন্দিদেট অনীদগী, অহুমদগী পৈশা লৌনবা য়াওরিবনি। মসিবু লৈবাক্কী লৈঙাক শেম্বনি হায়বদি হাকমল্লি। মালেমগী মীয়াম মমাঙদা কয়া ফজবা নত্তে। মালেমগী মীওইবনা খঙখিবদা ইকায়বা ফাওনদবা অসিবু ফি শেৎলবা শানি হায়বা য়ানরক্কদ্রনে। পৈশাদু লৌদবা য়াদবা থৌওং অমা ওইরক্লি। পৈশাদু লৌদবদা পৈশা পীরিবা মীদুনা ভোট পীদে হেক্তা হায়খিগদৌরিবনি। ভোটকী লায়রি, কৈরোয় লৈকায়নি, য়েৎনবা য়াদে, নুংশিনদবা য়াদে। পৈশাদু লৌদবদা 'ঐনা হায়বা য়াদে' হায়না নাপল ফুদোক্লবগী ৱা অমসু য়াওরকইবনি। কেন্দিদেটতি লায়রি, মশানা ভোট লেপ্পদৌনা কোয়চেন-চেনবা মীয়াম অমসু লৈরি। মখোয়নবু হেন্না শাথিবা মাল্লকই। পৈশাদুদি লৌরো ভোট পীনিংবদা পীরো হায়নখৎলকইবা খুন্নাইসিগী মোরেলগী থাক অসিবু লৈখা তাবা মসিনা লোয়রে হায়বা নত্তবরা? লাই ওইরগনা লাইখা তাবা হায়বদুনি, লোন্না পীগদৌবদু ফোংনা লৌগে হায়বনি।

ভোটর মশা খঙদনা পৈশা লৌথোকপা মীসু কয়া অমনি। হন্দক্তি ইলেক্সনসি রিফোর্ম তৌনবা ঙাঙনরিবসি শৌগৎপা ওইনা চা অমা, মিথাই অমা ফাওবা চাদনা-থক্তনা ভোটসি পীরগে খল্লগা তুমিন্না পীখ্রবনি। চাক চরা অমা চাসি হায়রকপা ফাওবা চত্তনা লৈখ্রবনি, খন্নবা য়াবা ৱাদি খন্নখি, ভোট অদুম পীখি, থাদখি। অদুবু মীওই অমনা ফোন তৌরকখি। মাগী লিষ্টতা য়াওই, চাক চরা অমতং চামিন্নসি হায়রি। ভোটতি লোইখ্রে, মাসু থবক চিল্লি, শংদ্রি হায়রি। মসি ঙাক্তনি, করম্না রিফোর্ম তৌবা য়াগদৌরি। পৈশা য়েন্দবা ভোট লেপ্পা কেন্দিদেট ফুবগী ৱা লৈরবরা, পৈশা য়েন্দে হায়বগী মাল্লকপদুনি, পৈশা য়েনগনি হায়বশিংগী লান্মী লৈরবরা? লৈরবদি, মখোয়না হায়বা য়াদবগী য়েক্লবা ওইনা লৌবা মাল্লক্লি। লৈকায়-লৈকায়গী লো শেম্নরি, য়ূম থুদেক্লরি, মৈ থানরি, গাড়ী থুগায়নরি, হাৎনরকপা য়ারি।

মসিনি ঐখোয়গী খুন্নাইগী ৱাখলগী থাক। নোংমদুগী খুদক খুদক্কী খনবদগী লৈবাক্কী খল্লক্তবগী মওংনি। মী অমনা হায়বা মী অমনা লৌনদবা খুন্নাইনি, কাঙলুপ অমগা কাঙলুপ অমগা য়েংথিনবা লমদমনি। নুংশিনফম থোকই হায়না হায়না হাৎনবসি তোক্লদ্রিবনি। অসিগুম্বা খুন্নাই অমনা ভোট পীবা হৈত্রবদা ইলেক্সন করম্না চুমদৌরিবনো? চহী চা খরা শেমদোকপা ঙমগদৌবা মান্দ্রি। ঐখোয়গী ৱাখলগী খোঙজেল তপ্পী, ৱা খন্নবা হৈনদ্রি, মফৈদা য়ৈনরগা লৈনরি, ঙাংজগন ঙাক্তা মাল্লক্লি। থবক্তদি অমত্তা ওইবা ঙমদ্রি। অওইবা থবক তৌগদৌবা মী লৈত্রি, হৈত্রিবা মাল্লক্লি। ঐখোয় খরনা তৌরিবসি-তৌরিবনি, মসিদা পেল্লু হায়বা মাল্লি। হায়বদি, অনৌবা ৱাখল খনবা, অনৌবা থবক তৌবা য়াদে, মখোয়না নমথবসি য়াবা তাবনি হায়রিবনি খল্লি। লৈবাক শেমগৎপগী নত্তে, মী নমথবনি, মীয়াম্বু লান্না পুবনি।

ভোট হৈতবা মীয়ামগী ইলেক্সন হৈতবা লৈঙাক্না মীওইবা খুন্নাইগী য়াইফনবা তৌরি হায়বসিমুক চিন থিবা অমা লৈখিগদ্রা খল্লক্লে। লুপা ৩০০, ৫০০, ১০০০, ২০০০, ৫০০০, ৭০০০ মী মীদুগী লৈফমগী, নিঙায়গী মতুংইন্না পীরি হায়বসি ৱিটনেস লৈতে হায়বগী লিগেলাইজ তৌবা ঙমদনা লৈবগুম্বনি। পৈশা চাবা পুলিসনা পৈশা য়েনবা মী ফারগা পৈশা য়েল্লগা কারকপা মিনিষ্টরনা পৈশা চাবা জজদা পৈশা পীজরগা নাহ্নোকখিবা মশানা তারকপনি। ভোট কানিংবশিংনা মশাগী পৈশা তিংদনবা পৈশা লৌবশিং ফারগা জেলদা থম্লিংদে, পৈশা লৌরিবা মীয়ামগা খৎনবা ঙমদে। মদু তৌরুবদা ভোট কারোইদৌরিবনি। মশাগী পৈশা তিংদনবা লো শীজিন্নবা হৈতে, মশানা শেম্বা নৎত্রবসু লোদু লৈরিবনি। হুরানবনা হুরানবা ফাবা চৎনদে। লোদু থুগায়রগা, লাল্লি খঙনা খঙনা ভোট কানিংবগী পৈশা য়েল্লিবসি লাল্লিবনি। মদুদা মীয়ামসু য়াওরিবনি। মীয়ামসু লাল্লিবনি, লান্না লান্না লৈঙাক অদুম শেল্লনি। মোইথেম তৌরগা ভোট কাখ্রনি, ভোটতা য়েনবা পৈশা অমুক খোমগৎকনি। থবক হাপ্পগী পৈশা খোমগেরা, প্রোজেক্ট প্লানগী টেন পার্সেন্ট চাগেরা, মচা-মনাও থাদোক্লগা থিকা তৌগেরা, লৈবাক্কী থবক তৌরিবনি হায়রগা মরন্নাইগী থবক ফোংনা তৌবা ঙম্নরি। চহী খুদিংগী কাং চিংনবগী হৈ-রা চায়রগা খুনবা তম্বীরবা মীয়ামদা ইলেক্সন অমুক অমুক লাকপদা পৈশা চায়রগা খুনবা হৈহল্লে। লাইনীংনা তম্বীখিবা মোরেলগী লিলানি, ফগৎলকপা ঙমখিরোই। মী থাজদে, লাই থাজরি, য়োং ওলহল্লি।

মিনিষ্টর ওইনীংলিবা করিগীনো? ভোট লেপনীংলিবা করিগীনো, ভোট কানীংলিবনা করিগীনো? অফবা, মীওইবগী কানবগী ৱা নত্তবা, হুরানবগী মিংচৎনা চহী কয়া চৎকদৌরিবা? পৈশা পাম্বগী ওইরগনা, অমুক খোমগৎপা অমুক য়েহ্নোকপা, খরা লেমহৌবা, ক্রোর মরি মঙাগী য়ূম অমা শাবসিরা নুংঙাইবা হায়রিবসে? মদুগীদমক্তরা যন্দুং ইন্নবশিং ৱায়নগনি, খৎনগনি। মসিবু লৈঙাক্কী থবকনি হায়গদৌরিব্রা? লৈবাক শেম্বদা মী খৎনগনি, য়ূম থুগায়গনি, গাড়ী মৈ থাগনি, নোংমৈ কাপ্পগনি হায়বা লৈব্রা? মীয়ামসিনা খোইরেল ওল্লকপা মতমদদি লুপা ক্রোর চঙনা শারুবা য়ূমশিং মৈ চাক্নরক্লি। য়ূমদু যাত্রা হুনবগী পুংফম শোয়রগনা পাঞ্জিদু হাৎপগী ৱা লাক্কদৌরিব্রা। লমন খুম্নবদা হাৎনবসু মখোয়না হৌদোকপনি।

লাইগা ভোটকা মরী লৈনদে, ভোটকা লাই খুরুম্বগা লাল্লি। লাই হেক লাৎলিমখৈ ভোটসি লানখিগদৌরিবনি। লাই হায়রিবসি লৈরম্বা নত্তে, থাজবদগী শাগৎনখিবনি। অশিংবনা অপঙবা খোমগৎখিবগুম্বনি। ইলেক্সনসু মদুগুম্বনি। ভোট কানবা শাগৎপনি, কাখ্রগা লাই শারক্কদৌরিবনি। লাইদা থাজরিমখৈ ইলেক্সনসি চুম্বা ঙমখিরোইদৌরিবনি। হৌজিক্তি লাই নীংবসি মোরেল শেমগৎপগী নৎত্রে, মীগী মোরেল শেমদৎপগী তারকপদুনি। লাইবু নীংলবদি মীদু পঙশিল্লক্লবনি। লাইদা নীরবদি পৈশা কৎলি। পৈশা পীরগা ৱাশকহল্লগা, লাই পল্লগা থাজহল্লগা ভোট থাদহল্লিবনি। লাই পল্লবনিনা ভোট পীরে, লাইদু য়োল্লিবনি, ভোট লৈরিবনি। লাইনীং য়ৌনা হন্দ্রবদি ষন্নিং হনবগী তিংখঙসি হনবা য়ারোইদৌরি। লাইনীংগী লাইরিকশিংসি লাইগীনি খল্লগা পাগদৌবা নত্তে, মীগীনি খল্লগা পাগদৌবনি। মী শেমগৎনবনি, লাইগী ওইনা অদুম থম্মু হায়বা নত্তে। মীওইবগী শাজৎ শেমগৎনবনি, লাইগীনি চৎপা ঙল্লোই, তৌরুনু হায়বা নত্তে। লৈবাক্কীদমক্কি, গুরুদেব ওইরবসু হাৎলু, ইবুধৌ ওইরবসু হাৎলু পাপ লৈতে হায়বা য়াওরিবনি। মদু তৌবা ঙম্বা লৈবাক নীংবা মী লৈতবদুগী ৱাতনি। ঙাংজগন ময়াম মরক্তগী য়াওরক্কদৌবা মান্দ্রে। থবক্তি ৱা ঙাঙদনা তৌবসু য়াবনি, খোঙলিবশিংসি মী চিকপা ঙম্বা হুই নত্তে হায়বা উৎলিবনি।

পৈশা য়েন্দবশিংনা পৈশা খায়নরগা পৈশা য়েনবশিংসি জেলদা থম্বা ঙমগদৌবনি, মদুগী কেস তৌবসু ঙমগদৌবনি। মিনিষ্টর ওইরগতা লৈবাক্কী থবক তৌগদৌবনি হায়বা লৈতে। জেলদা লৈগদৌবশিংনা খুল্লক্তা লৈবদগী মীয়ামসি ঙাওনরকপনি। পৈশা পাম্বা মীনা মশীং য়াল্লিবমখৈ ইলেক্সন্দা পৈশা য়েনখিগদৌরিবনি, পৈশা তিংখিগদৌরিবনি। ভোট কানিংবগী পৈশা য়েনবনি হায়গনি, লোদু ইফোং ফোংনা থুগায়বা ঙম্নরিবনি। লো থুগায়রগা লৈঙাক পায়গে হায়বদা মীয়াম্না য়ারিবনি, ডেমোক্রেসি কৌবা য়াদ্রি। ডেমোনশিংনা ক্রেজি ওইরকপা দেমোনক্রেসি হায়রিবসিনি। 'ঐ ভোট লেপ্লে, কাদবা য়াদে' হায়বসি হায়বা য়াদবা দেমোক্রেসিদদি অঙাওবগী ৱানি। 'অসুম্না তৌবনা ফজগনি খল্লি, অসুম্না তৌজগনি' হায়বদু ফজরবা, মীয়াম্না য়ারবদি মীহুৎ ওইনা থাগৎপা য়ারবা, মাগী থবক থৌওং অমুক য়েংবা তাবনি। কাদবা য়াদে হায়রবদি লোনা য়াদবা ৱানি। মশানা ভোট লেপকে হায়রিবসি লাল্লিবনি। পার্টিগী কম্মিটি অমনা মীরেপ খল্লক্কদৌবনি। ইলেক্সনসি পার্টি মনুংদগী তঙ্খায় অমদি লোয়রগুম্বনি। কোয়চোং চোংনরিবসিদি চোংঙানি, চাফম থিরিবনি। অদুনবু বাই পার্টিনা ফজবা হেল্লি হায়নরিবনি। মল্টি পার্টি সিষ্টেমসিদি মী খৎননবা শিনবগুম্বনি, কোক য়ৌদ্রিবগী থৌশিল তাগদৌরিবনি। ভোট লেপ্পশিংনা শিল্লিবনি, কয়া ফজবা হৌনদে।

ভোট লেপ্পা ঙম্বা-ঙমদবা, পোলিটিক্স তৌরিবশিংনা ঙাঙলিবসি ইরান লান্না উবসু লৈরিবনি। মখোয়না উরিবা মশাগী মরমদম অসি লান্না লান্না ঙাঙবা য়াওরিবনি, লান্না থাজবা লৈরিবনি। মখোয়না চুমথোকপা ঙম্বা নৎত্রি। ভোট ফংলোই খনবদগী ৱা ঙাংলুদব্রা হায়ববু ওনশিন্দুনা চারকপা য়াওরক্লবনি। ভোটতা লান্না তৌরুবসু মখোয়নি, মীয়াম্বু লান্না লমজিংলুবসু মখোয়নি। মখোয়গী অপূনবা ৱারেপ লৌবসু ঙমদে, মখোয় ময়াম য়েৎনদুনা লৈগনি। মখোয় খরগী ৱাখল্লোন মান্নদবগী ৱাথোক্না লৈবাক্কী ৱাথোক ওইহল্লি। মীয়ামগী অপাম্বা মখোয়না তাদে। মীয়ামসু অপূনবা ৱারেপ লৌবা ঙমজদে, মীয়াম্না তাক্লগা মখোয়না থবক তৌবা মালহল্লি। মখোয়না তৌবা থবক অয়াম্বা পৈশা হুরানবগী মাল্লকই। ফোংনা পৈশা চারি, মীয়াম্নসু ফাবা ঙমদ্রি। মরমদি, মীয়াম্নসু পাঙশিল্লি হায়বগুম্বনি। মখোয়না মীয়ামদা তায়নগনি, মীয়াম্না মখোয়দা তায়নগনি। ফত্তে শেমদোকসি হায়রিবা মীয়ামসু ঙাঙবগী ঙাঙবা ঙাক্তা ঙায়রি। ৱারেপ ফম্না লৌরবসু থবক তাবা ঙমদবনা অয়াম্বনি। চহী চান্মা খন্নরবনি, চহী চামঙা লাল্লক্লবনি, চহী লিশীং-লিশীং অচুম্বা লম্বী অমদা লাকপা ঙমখিদ্রবনি। খন্দা-খন্নরগা লম্বী-থোং, ফুরা-দলান খরা শেমগৎপদা লোইরে। মীওই কাঙলুপ অনৌবা কয়া থোক্লকখ্রে, অরিবা ফুরুপ কয়া মুৎখ্রে, মশা মশানদি খঙজদ্রিবগুম লৈরিবনি। নমহত্তুনা লাক্লিবশিংগী মীহুৎ য়ামশিল্লক্লবনি, মখোয়না ভোট কাবা কাদবগী অঙ্ক পারিঙৈ লৈবাক্কী থবক তৌবা ঙমহৌদবনি। মখোল থোক্তনা মীয়ামসিগী মরক্তা কাঙলুপকী লান কয়া লৈরি, ঈরাংদি লাকখ্রে। নিংথৌ কয়াগী হাক্তক্কী থেঙ্খাং কয়াদা লৈঙাক্কী মীহুৎশিংনা মথং মথং লাল্লকপদুনা ঙসিদি কু য়ৌরে, মঙথোং থিংবা হৌরক্লে। মসি পুন্নমক অমনা অমদা তায়নদুনা লৈনরিবনি। ৱারেপ চান্মরক লৌরবসু থবক মচা অমত্তা ওইবা ঙমদনা লৈরিবনি। মীয়াম য়াওদে হায়বদি য়াররোই, মরমদি মীয়াম লিশীং-লিশীং-লাক্ষ থোক্লককখ্রে। লমজিংবিনবা লৈত্রিবগী মাল্লক্লি। ৱাখল লৌশিং লৈরে খল্লিবশিংগী অশোনবসু থোক্লক্লে। খেৎঙাঙ ঙাঙজবশিংনা থবক পুবা ঙম্বা হৌনদে, মুন্না য়েংলবদি ঙাঙজগন ময়ামদুনি পুন্দ্রিবদি। পুনবগী মরমচৎ মখোয়দা য়াওদবগী ওইফম থোকই, মখোয়নি পুনবা হৈত্রিবদি। মদু ফাওবা খঙনদ্রিবা মাল্লক্লি। চীং-তম, লৱাই-ইম্ফাল, খুন্থক-খুনখা, শাগৈ-জাৎ খায়রিবসি পুন্নদ্রিবগী শক্তমনি। ফৌগীদি খেন্নবা খঙই, ফৌৱাম-ৱায়গীদি খেন্নবা থিনদে। কাওশিং-কাওরাগুম তাওথদুনা লাক্লবা মীয়ামসিগীদি খেন্নবদু থিগদৌবা নৎত্রে হায়দুনা তোৎশিন্নখ্রবনি। হোৎনবা কনবা, মরিল তন্দবশিংনা হুমদুনা পুবা ঙমখ্রবনি, শক্তম হোংলবনি। ঙসিদি খেৎঙাংদা চৈবগা-ঙাঙবগা লেনগদৌবা নৎত্রে। ইপা ইপুশিং লুখা থাখিবশিং চীংথোকপা ঙমফম থোকই হায়গনি।

ওল মণিপুর হায়গনি, অপূনবা অমত্তা লৈতে। থৌনা য়াওদবশিংগী থৌনাবু লাইদা শারেল চল্লগা থৌনা পুরকপা ঙমগদৌবা লৈতে। লাই নীংদুনা লৈগদৌবা মতম নৎত্রে, লাইনা করি তৌই খঙলগদৌবা মতমনি। লাইদা নিরগা লৈরিবা, পঙবদগী পঙলবশিংদি ভোটতসু পৈশা লৌরগা ষণদুং ইন্নবগুম নিরগা লৈখিবা তারকপদুনি। শা চাদে খঞ্জবনা লাইদা শারেল কৎপা ঙমজদবনি, শা হাৎপা ঙমজদবশিংনা শা চাবা থিংবা ঙমগদৌবা লৈতে। পৈশা য়েনবা থিংবা ঙমদে।

চিঞ্জাক থিবা ঙমদবশিংনা লৈবাক খুল্লিংদুনা পানবা ঙমফম থোক্তে। পাঙদবশিংগী লৈবাক লৈবা হৌনদে। শা চায়গা-চাদেগা, পৈশা চায়গা-চাদেগা, মচিন থীবশিংগী থৌনা হায়বা অমা লৈতে হায়বসি ভোটতা খঙই। লমদমসিগী ভোটপু ভোটলা!